# থাঙ-তাগী মহৈবু থৱায় য়াওনা য়োকখৎপীরিবা শিন্তাক পুরেল সাইখোম নোদিয়া মঙাঙ



(হান্নগী মখা...)

দেল্লিদা শো উৎননবগী অকনবা ত্রেনিং তৌবা হৌজরকপসি কুমজা ১৯৮৬ কী ওক্টোবর থা শ্বাইদগীনি। মপান্দা চৎলগা উৎলুগদৌরিবনি হায়বদগী ইচাশিং নুপাসু নুপীসু মখ্বায় য়াম্না য়াওনা হোৎনখি। অয়ুক নুংথিল অনীসি পারগা কন্না হোৎনবদগী য়াম্না ফজবা য়েংবদা মীৎ থকপা টিম অমা হায়বদুসু ওইখি। অদুগা মীসিখোল হায়রিবসিগী অশাংবা মপূং ফাবা মমিংসিসু মীতৈ ইপা ইপু সলাই ইনাৎ খোঙ্গুল লীবা লূপ হায়বনি।

ইচাশিংনা দেল্লিদা শো উৎলুবসি কুমজা ১৯৮৭ গী জানুৱারী ২৬ কী থৌরমগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামনি। স্টেট ময়ামদগী লাক্লিবশিংদুগা চাংদম্নবদা ঐখোয়না ফার্ষ্টসু তারকখি। মদুদগী হৌরগা মণিপুরগী থাঙ তাসিগী অচৌবা মফম অমসু কনবা ঙম্লকখি।

নীংশিংলুবদা নুংশি ইচাশিং অসিগা থাঙ চিঙ্গৈইগসি ঐ ইশাসু য়াওনা শাজখি। থাঙগী ওইবা ফোর্মেটকাসিসু দেল্লিদা উৎলুদৌরিবনি হায়দুনা অখন্ননা শেমখি। ইচা ময়ামসিনসু থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা উৎলুবা ওইনা তৌদুনা মায়পাক্লা হল্লকখি। অসুমহাইনা মীসিখোলসি লাকখিবনি। লূপকী থোল্লিবা মীংথোনসিগী মখাদা য়াম্না চেকশিন্নসু থাঙ তাসি য়োকখৎচরকপনি।

ঐহাক্লা মরু ওইনা তন্বীবা থাঙগী থাঙলোন, তাগী তারোলসিদি অহল লমন্না থন্বীরম্বশিং অয়াম্বা শুরে হায়বা



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### থাঙ-তাদা মিৎয়েং অমা

য়াই। থাঙলোনসি মপি মরি, মঙা, তরুক, তরেৎ, নিপান ... তরামাথোই, তরানিথোই ময়ামসি অমত্তা চিংখদনা লোইনমক তন্বী। তাগী মতাংসিমদি ইপুবোক্লা তাকপীরম্বদা ইবুংঙো তারোলসিদি লোইনা খঙলুনু শুপ্নতংগী অনীখক্তমক মমুৎ তানা খঙউ। হয়েং থেঙ্গুরোল মাপলবু মুন্না খঙবা ঙমগদবা তারোলসিদি কবুইগা, মরামমচা হায়রিবসিগা খঙলবদি লোইনা খঙবা ঙমগনি হায়বিরম্মী। হৌজিকফাওবসু ইপুবোক্লা তাকপীরম্বশিংদু মীৎতা লোইনা উরি, চিনফাসু ফজনা ফারি। ঐনসু থৱায় য়াওনা তমজহৌবনিনা ঙসি ফাওবা কাউদ্রি।

থাঙসিদসু লেপ্পা লৈতনা মথং মথং খোঙ্গুল লি লিদুনা অহল-লমন, ওজা ময়ামসি লোইনা থেংনবা ফংজরকপদগী য়াম্না নুংঙাইজবা তাঙ্কক কয়াসু পুন্সিসিদা থেংনজরকখি। লৈখিদ্রবা ওজা চন্দ্রহাস, লৈস্রামগী ওজা ইবোমচাহোয় মখোয় ময়ামগসু পূনবা ঙমজহৌই। অদুগা অৱাং মায়কৈরোমদা লৈবিরম্বা লাইওইখ্রবা অহল-লমন, ওজাশিংনা থন্বীরম্বা লাইরিক-লাইশু কয়া অমসু মীয়াম্না নুংশিবীদুনা ঐঙোন্দা শিন্নবিরম্মী। ঐহাক্না কন্না থাঙগী তৌবা মতমদুদা অহল-লমন, পন্দিট, মাইচৌ ময়াম অসি অমত্তা ওইনা কন্না পূনশিন্নরকপা মতম অমা ওইখি। মদুগী খুদোংচাবা অমসু ঐঙোন্দা ফংজখি।

অমরোমদা, দেল্লিগী দুরদর্শন্দা থাঙ-তাগী শোসি উৎলুবদগী মথং মথং গুৱাহাটিগীসু থাঙ-তাসি থওইনা নম্ব মণিপুরদা লাকখি। মদুনা কদাইদা নমখিবগে হায়বদা পাঙ্গৈগী সাইনিক স্কুলগী গ্রাউন্দদা নমখি।

অদুগা মীশিখোলগী ওইনা নুপীনা থাঙ শান্নবা হৌরকখিবসি কুমজা ১৯৮৫/৮৬ কী মতমদুদগীনি। ময়াম্না শান্নবদু উবদগী ইচানুপীশিং অসিসু অদুম থোরকখি। টি ভি চেন্নেলদগা শুম শনে দারকপদগী খুরাইগী মীসিখোলসি য়াম্না মমিং লৈবা থাঙ-তাগী লূপ ওইনা মীয়াম্না খঙনরকখি। লূপসি কদাইদা লৈগে হায়দুনা কোয়থি থিবীরকখি। মমৈদদি মমিং লৈবা লূপ অমা ওইরক্তুনা ঐখোয়সি গাড়ীদা লৌবা লাকপা, হোরেন লোইরগসু থিনবীরকপা অদুমাইনা তৌরকখি। হেক অচৌ অশাং লৈবা মফম শুরে, ঐখোয়না শো উৎপসি। মণিপুরগী হেক লৈরিবা লাইবুং পূম্নমকসি ঐনা য়ৌদবা য়াওরক্ত্রে।

মরুওইনা লাই হরাউবা মতমদুদি শো উৎপা চৎপদা খ্বাইদগী চিনবা মতমসু ওইখি। মীয়াম্না পান্বীবসিগী থোইদোকপা মরম অমা হায়জরগদি ঐগী থাঙলোন, তারোনসিগা ময়ামগা খরা মান্নদে। হৌজিক ফাওবসু মান্নদনা অদুম লৈ। খরসু তোঙানবা মচৎ খরা লৈ।

থাঙলোনগসি, তেক-তা, তেক-তা, তেক-তা হায়দনা ময়াম্না তৌনরিসিদগী ঐগীদি খিত্তং তোপ্লা চৎলি। ঐনা তন্বীরিবসিনা লানগী কাঙলোন্দা ওইনা তন্বী। অদুনা খুৎলায়সি হেক পায়বগা খ্বাঙদা য়ানশিল্লো, ঙকশমদা য়ানশিল্লো, কোক্তা য়ানশিল্লো হায়দুনা তন্বীবনিনা খোঙথাংদা খোঙলৈদা য়ান্নবদা লোইনমক খেন্নরকই। লানগী কাঙলোন্দা, অথুবা খোঙথাংদা লোইনা চৎখ্রবনিনা মদু ঙাক্লনবা শান্নরকপা মতমদসু চোঙবদা, মশা লৈথোক-লৈশিন তৌবদা য়াম্না থুনা শান্নরকপনিনা পুরা তোঙানবা মশক অমদা লাকই।

থাঙ-তা অসি তমগে হায়দুনা ঐগী নাক্তা লাকপা মী খুদিংমক হেক্তা তন্বীদে। মীসি লাকপা মতমদসু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। লাক্লিবা খোঙথাং, ঙাঙথোরকপা ৱাঙাঙ, তৌথোরকপশিং অসি হাইফেৎ য়েংবদা মসিমদি ওইনিসে হায়বসি অদুম তোঙান তাই।

-মথং-মথং



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৯

1. মহাক টেনিস শান্নরোয়নি। মহাক্কী অচৌবা শক্তম অমা য়ুনাইটেদ স্টেটসকী সহর অমদা নুংনা শাদুনা থম্মী। মহাক হান্নগী ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?
2. মহাক বোল ৩৮১ দা রন ৩০০ হেন্না লৌদুনা টেস্ট ক্রিকেটতা ইনিংস অমদা রন ৩০০ হেন্না লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
3. ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্রিকেট টিমশিংদা মরিরক য়াওখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. মিটর ২.৪৫ অসি করম্বা এথলেটিক্স থৌরমগী মালেমগী রেকোর্দনো?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইরান্না উজবেকিস্থানবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী ক্বালিফাই ওইখ্রে



টেহরান, জুন ১৩ :

সর্দার অজমোন অমদি টেহদি টরেমিনা চনখিবা গোলনা ইরান্না মফম অসিগী অজাদি স্টেদিয়মদা চৎখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী মেচতা উজবেকিস্থানবু ২-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইরান্না গ্রুপ এগী ফংখিবা মখোয়গী মেচ নিপানগী মনুংদা মেচ তরুক মায় পাকখিদুনা পোইন্ট ২০ ফংলগা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা সাউথ কোরিয়ানা পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

ইরান্না ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা স্টেজ অসিদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা চঙশিল্লক্লি অমদি মখোয়না চঙশিল্লকখিবা কেম্পেনদা মখোয়গী মায়োক্তা গোল অমা ফাওবা মায়োক্লখিবা টিমিনা চলহন্দনা লৈরি। ইরান অসি এসিয়াগী ফুটবোল জেইন্ট অমা ওইরিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইরান্না উজবেকিস্থানবু অনীরকশুবা ওইনা মায়থীবা পীদুনা রসিয়াগী ৱর্ল্ড কপকী চঙলকখিবা লম্বীদা মায়থীবা য়াওদনা চঙলকখি।

রোসটোকি ফোরৱার্দ অজমোননা মেচ অদুগী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা আলিরেজা ঝানবাক্সনা পীরকখিবা পাস অমদা ওক্লগা বোক্সকী ওই থংবা সাইদতগী য়েৎ থংবা খোঙনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অমনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইরান্না হোম ফেনশিংগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অদুদা অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চৎখি। মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা অকমল সোরাখামেদোবনা টারেমিদা তৌখিবা ফাউল অমদা পেনালটি অমা ফংখি। মদুদা মাসৌদ সোজৈনা কাওখিবদা ক্রোস বার ৱাংমা লান্না চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

উজবেকনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু ইরানিয়ানগী দিফেন্স থুগাইবা ঙমখিদে। ইরান্না মখা তানা মায়োক্লখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮৮ চৎপা মতমদা আজমলনা পীরকখিবা পাস অমদা টারেমিনা ওক্লগা উজবেকিস্থানগী নেট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি।

ইরান্না ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা মরিরক শান্নখ্রে। মখোয়না কুমজা ১৯৭৮, কুমজা ১৯৯৮, কুমজা ২০০৬ অমদি কুমজা ২০১৪ দা শান্নখি। অদুগা উজবেকিস্থান্না অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইননবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

ইরান্না মায় পাকখিবা অসিনা যূম্ব রসিয়া অমদি মঙারক ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ব্রাজিলগা পূনখ্রে।




HL-B/3934/11/6-10/7


# ইন্দিয়ানা ২০১৭ হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলগী ওপনিং কেম্পেনদা স্কোটলেন্দগা মায়োক্লগনি

ন্যু দেল্লি, জুন ১৩ :

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা লন্দন্দা জুন ১৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা ২০১৭ হোকি ৱর্ল্ড লীগ (ঐচ দব্লিয়ু এল) সেমী ফাইনেলদা মনপ্রিট সিংহগী ইন্দিয়ন টিমনা মখোয়গী ওপনিং কেম্পেনদা স্কোটলেন্দগা মায়োক্লদুনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নগনি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী পুল বিদা তারি। পুল অসিদা ইন্দিয়ানা কানাদা, স্কোটলেন্দ, নেদরলেন্দস অমদি পাকিস্থানগা তামিন্নরি।

ওপনরদা স্কোটলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নরবা মতুং মনপ্রিটকী নুপামচাশিং অসিনা জুন ১৬ তা কানাদাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। জুন ১৮ দা ইন্দিয়ানা মতম কুইনগী আর্ক রাইবেল পাকিস্থানগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ শুবদা লৈরিবা নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াগা জুন ২০ দা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী কোচ রোলেন্ট ওলমান্টসনা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবদি ফংগনি হায়বগী থাজবা থম্লি। অদুগা মনপ্রিটনা অনীশুবা মফম ফাওবদি লৈবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

হন্দক্তা ইকুই কুইদনা জর্মনিগী দুসেলদোর্ফতা পাঙথোকখিবা লৈবাক অহুমগী ইনভিটেসনল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অমনা দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অনীনা মায়থীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা অকাস চিকদে অমদি বিকাস দাহিয়ানি। দিফেন্দরদা প্রদিপ মোর, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার, রুপিন্দর পাল সিংহ অমদি হরমনপ্রিট সিংহনি। মিদ ফিল্ডরদা চিংলেনসন্না সিংহ, এস কে উথাপা, সাটবির সিংহ, সর্দার সিংহ, মনপ্রিট সিংহ অমদি হরজিৎ সিংহনি।

ফোরৱার্দতা রমনদিপ সিংহ, এস ভি সুনিল, টালৱিন্দর সিংহ, মনদিপ সিংহ অমদি অক্সদিপ সিংহনি।



পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা মালেমগী হোকি মশান্নদা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউবা দায়ত্ব লৌদুনা মীয়ামদা শক তাক্লনবা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন্না নৌনা পুথোরক্লিবা হোকি প্রো লীগতা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী নুপা অমদি নুপী হোকি টিমনা লাক্লিবা কুমজা ২০১৯ গী জানুৱারী থাদগী হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চৎথগদৌরিবা অনৌবা গ্লোবেল লীগতা শরুক য়াগদৌরি।

হোকি-প্রো লীগ হায়না মমিং থোনখ্রবা শিংথানিংঙাই ওইরগদবা লীগ অসিদা মালেমগী হোকি শান্নরিবা লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী ফবা নুপা অমসুং নুপীগী টিম ৯/৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চহী খুদিংগী চৎথগনি। লীগ অসিদা অপূনবা মেচ ১১৪ শান্নগদবনি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা চেরোল অমদা টুর্নামেন্ট অসি জানুৱারীদগী জুন থা ফাওবা নেসনল স্টেদিয়মশিংদা চয়োল খুদিংগী ওইনা ফিক্সচরশিং থোক্কনি হায়রি।

নুপীগী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা টিমশিংদি ইন্দিয়া, অর্জেন্টিনা, ওস্ট্রেলিয়া, চিনা, ইংলেন্দ/গ্রেট বৃটেন, জর্মনি, নেদরলেন্দস, ন্যুজিলেন্দ অমদি য়ু এস এনি। অদুগা মেন'স টিমদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা অর্জেন্টিনা, ওস্ট্রেলিয়া, বেলজিয়ম, ইংলেন্দ/গ্রেট বৃটেন, জর্মনি, ইন্দিয়া, নেদরলেন্দস, ন্যুজিলেন্দ অমদি পাকিস্থাননি।

ইংলেন্দনা মখোয়গী লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ওইবা থৌওংনা মরম ওইদুনা মখোয়গী হোম মেচশিং গ্লাসগো অমদি স্কোটলেন্দদা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

এফ আই ঐচকী চেরোল অদুনা হায়, লীগ অসিগীদমক নেসনল এসোসিএসনশিংদগী নুপাগী টিম ১৩ অমদি নুপীগী টিম ১২ না মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং পীশিল্লকখি। মখোয়গী মরক্তগী মশক থোক্লা হোকিবু শান্নরিবা লৈবাক ৯/৯ খনগৎখিবনি।

মেন'স লীগকীদমক এপ্লিকেসন পীশিল্লকখ্রবসু অরোইবা ওইনা খনগৎপদা য়াওখিদ্রবা লৈবাকশিং অদুদি আইরলেন্দ, মালেসিয়া অমদি স্পেননি। অদুগা ৱিমেন'স লীগকীদমক খনগৎপদা য়াওখিদ্রবা লৈবাকশিংনা বেলজিয়ম, আইরলেন্দ, ইটালি, জপান, স্পেননি।

# সাইনানা য়ু এস ওপনদা শান্নগনি, টুর্নামেন্ট অসিগীদমক বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা স্কাদ অমা লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ১৩ :

লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস ওপনদা শরুক য়ারগনি।

লাক্লিবা জুলাই ১৯ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রান্দ প্রী গোল্ড টুর্নামেন্ট অসিদা সাইনানা ইন্দিয়ান চেলেঞ্জবু লুচিংগনি। মশাগী চহী ২৭ শুরবা অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদুনা ইন্দিভিজুএল টাইটল ২৩ লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্লা অহানবা ওইনা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌননবসু মিৎয়েং থম্লি।

অমরোমদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী সেলেক্সন কম্মিটিগী মীফম অমা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস ওপন য়াওনা লাক্লিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কাদ অমসু ঙসি লাউথোকখি।

সাইনানা নুপীগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলস এক্সন্দা সমির বর্ম্মা, প্রনোয় অমদি কাস্যপনা কালিফোর্নিয়াগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

মিক্স দবলসকী কেটাগোরিদা নৌনা জুরা শেমখিবা অশ্বিনি পোনাপ্পা অমদি সাটৱিক সৈরাজ রানকিরেদ্দিনা শরুক য়াগনি।

সেলেক্সন কম্মিটিনা জুন ২৭ তগী জুলাই ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চাইনিজ টাইপৈ গ্রান্দ প্রী গোল্ড, জুলাই ১১ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রী অমসুং জুলাই ২২ দগী জুলাই ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র এসিয়ন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংগী মমিংসু লাউথোকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৩৩ দা লৈরিবা সৌরব বর্ম্মানা হায়পৈদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টতা মেন'স সিঙ্গলসকী টাইটলগী কেটাগোরিগীদমক ইন্দিয়াগী চার্জ পুদুনা লুচিংলি। অদুগা হর্সি দানি অমদি সিরিল বর্ম্মানা টুর্নামেন্ট অসিদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীননবা মিৎয়েং থম্লি।

ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা শ্রী কৃষ্ণপ্রীয়া অমদি উট্রেজিথা রাওনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগনি। কনাদা ওপন্দা ৱর্ল্ড নম্বর ২৯ দা লৈরিবা এস ঐচ প্রানোয় অমদি কম্মনৱেলথ গেমসকী চেম্পিয়ন পি কাস্যপনা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী মেদল হোপ ওইরি।

প্লেয়র অনী অসিনা হৌখিবা সিজন্দা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নদনা লাকখি অমদি হৌজিক মখোয়না কোর্টতা হল্লক্তুনা মায় পাক্লা শান্নবগী ইখৌ লাংদুনা লৈরি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ডকী ৪৫ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা রিটুপর্না দাসনা ইন্দিয়াগী মিৎয়েং থম্ফম ওইরিবা সটুলর ওইরি। অদুগা মানু আত্রি অমদি সুমিথ রেদ্দিনা মেন'স দবলস এক্সন্দা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ ওইগদৌরি।

পুরভিসারাম অমদি জে মেঘানা অমদি কুহু গার্গ অমদি নেন্সি বি হজারিকানা নুপীগী দবলসকী কেটাগোরিদা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌগনি। সিকি রেদ্দি অমদি প্রনাব জেরি চোপ্রানা মিক্স দবলস সেক্সন্দা ইন্দিয়াগীদমক রিপ্রজেন্ট তৌগনি।


লেঙশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী অনৌবা ওফিস

কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি

- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :

অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

